## জিরিবামদা আই কেম্প পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* মনিপুর সরকারগী মেদিকেল দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট ওফথালমিক সেলনা শীন্দুনা জিরিবাম কম্ম্যুনিটি হেলথ সেন্টরদা আই কেম্প পাঙথোক্কনি।

ষ্টেট ওফথালমিক সেলগী চেরোল অমনা হায়, লাক্লিবা তাং ২০ নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা কেম্প অসিগী অহৌবা নুমিত্তা মিৎকী অনাবা খুদিংমক অখঙ অহে ডাক্তরশিংনা য়েংগনি। ঙৌদোং লৈবশিং অমসুং অতৈ মিৎকী ওপরেসন দরকার ওইবা অনাবশিং খন্দোক্লগা তাং ২১ অমসুং ২২ দা লেম্না ওপরেসন তৌগনি।

কেম্প অসিদা আই সার্জন ডাক্তর কেঐচ কামিনিবাবু সিংহ, ডাক্তর রাজকুমারি বিদ্যরানি, ডাক্তর এন্থোনি কামসোন অমসুং ডাক্তর এল চাওবা সিংহ য়াওগনি। ওপরেসন তৌগদবা অনাবশিংদা হিদাক লাংথক অমসুং অমুবা আনোক লেম্না পীগনি হায়রি।

## ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* লাক্লিবা তাং ১২ ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা অরিবা কোনুং কংলাদা 'ইমোইনু ঈরাৎ থৌনি' থৌরম কংলা রিলিজস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা পেনা য়াকাইবা, মাইবী জগোই, খম্বা থোইবী জগোই, পুংয়াম ফাংনবা অসিনচিংবা পাঙথোক্কনি। মীয়াম্না থৌরম অসিদা মপুং ফানা শরুক য়াবীনবা কম্মিটি অসিগী চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

## ফ্রি কম্প্যুটর ট্রেনিং

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* ভারততিয়া বিদ্য ভাবন্না লাইরিক হৈরবা থবক ফংদ্রিবা নহারোল খুদিংমক কম্প্যুটর হৈননবগী পান্দমদা লেম্না কম্প্যুটর তম্বিবা প্রোগ্রামগী ৩৮ শুবা বেটচ হৌরগনি।

থা ৩ কী কোর্স অসিদা তমগদবা কোর্সশিংদি থা ৩গী ওফিস এসিষ্টেন্ট অমসুং থা ৬ কী এদভান্স দি টি পি নি। লাক্লিবা তাং ২০ দগী কোর্স হৌগনি। মসিগীদমক ফোর্মসু থারি। অকুপ্পা মরোল মেকোলা বজারদা লৈবা ভারতিয়া বিদ্য ভাবন ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# বজেদতা লাইব্রেরিগী ফন্দ মতিক চানা হাপ্পু হায়না তকশিনবদা ইকায়বা ফাওরে–*লিসসাম*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা লাইব্রেরিয়ানশিংগী থবক খুৎতৌ লাক্তৌ অমদি লাইব্রেরিনা মহৈরোয় অমসুং ওঝা খুন্নাইদা পীরিবা কান্নবা কয়া য়েংলুরবদি ঐখোয়না মরি লৈনবা লোয়শঙদা এদুকেসনগী বজেদতা লাইব্রেরিগী ফন্দ মতিক চানা হাপ্পু, ৱাৎলিবা লাইব্রেরিয়ানশিংগী পোষ্ট মেনশিল্লু হায়না দিমান্দ তৌগদবসি ইকায়বা পোক্লে হায়না লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্সেস ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন মনিপুর (লিসসাম)না ফোঙদোরক্লি।

লিসসামগী জেনরেল সেক্রেটরি থৌনাওজম রুহিচান্দনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মনিপুরদা লৈরিবা একাদেমিক, স্পিসিয়েল অমসুং পব্লিক লাইব্রেরিশিংদা হান্না থবক তৌরম্বা অমদি হৌজিক তৌরিবা লাইব্রেরিয়ানশিং অমসুং অতৈ মতেং পাংলিবা ষ্টাফ অয়াম্বনা প্রোফেস্নেল ইথিক্স ঙাক্না কথোকপা অমগা লোয়ননা শিনফম অসিবু চাওখৎনবা অমদি মীয়ামদা লাইব্রেরিগী অশেংবা কান্নবা ফংহন্নবা হোৎনবিরম্লবদি ঙসি মনিপুরদা লাইব্রেরি ময়াম অমা শিথরক্লিবা অসি থোক্লগ্লোই হায়বগী থাজবা লৈ।

শিনফম অমা শিথরকপা অমদি মীয়াম্না পাম্নরক্তবা হায়বসি মরি লৈনবা লোয়শঙনা য়েংশিনবিদবা অমদি থৌওইবিদবদগীসু নত্তে। শিনফম অদুবু থৱায় হাপ্লিবা থৌমীশিংনা খুন্নাইদা ফংহনফম থোকপা শিনফমদুগী কান্নবা কয়া অদু মপুং ফানা ফংহনবা ঙম্লক্তবদগী মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্না পুক্লিং চংবা ৱাৎলকপরা হায়বসি হংনিংঙাই ওই।

অমরোমদা কলেজগী ওঝা অমদি প্রিন্সিপালশিংনা লাইব্রেরিয়ানশিংগী ৱাকৎ তাবিদে থওইবিদে হায়দুনা পুক্লিং হন্থনা শুম লৈথোকপদি চুমদে। মদুগী মহুত্তা ওঝাশিংগা পে স্কেল অমদি গ্রেদ মান্নরিবনি, লাইব্রেরিয়ানগী থৌদাং য়াম্না চাওই অমদি ঐখোয়দি ওঝাশিংগী ওঝা অমুকসু ওইরিবনি হায়বদি মহৈরোয়শিংগীতা নত্তনা ওঝাশিংনা ফাওবা পাম্বা অমদি মথৌ তাবা ইনফোর্মেসন অমদি নোলেজ কদাইদগী মতৌ করম্না ফংগদগে হায়বসি লাইব্রেরিয়ান খক্তনা তাকপিবা অমসুং মতেং পাংবা ঙম্বনি হায়বা ৱাফমসিদা চাওথোক্না হিংগদবনি হায়রি।

মতমগা চুনবা থবক কয়া নিংথিনা তৌদুনা লাইব্রেরিবু চাউখৎনবা হোৎনরবদি লাইব্রেরিদা মহৈরোয়শিং অমদি ওঝাশিংনা লাইরিক পাফম ফমফম কোন্নদ্রে, কনানা লাইরিক ৱাইখি, অনৌবা ইদিসন লৈব্রা নৎত্রগা কদাইদগী ফংগদগে হায়বনচিংবা ৱাকৎ কয়া তাগদবনি। অদু নত্তদুনা থাগী তলব ঙায়বা থবক কোম্বা শিনফমনি হায়না উহল্লবদি লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স সবজেক্টবু পাম্না তম্লনকখিবা নত্তবা লাইব্রেরিবু চাউখৎহনগে হায়না থবক চংখিবা নত্তবনিনা পংতৌ তৌশিনবনি হায়না লৌই। অদুনা এদুকেসনগী বজেদতা লাইব্রেরিগী ফন্দ মতিক চানা হাপ্পু, লাইব্রেরিয়ানগী হাঙদুনা লৈরিবা ফম মেনশিল্লু হায়না সরকারদা দিমান্দ তৌগদবা অদু ইকায়বা ফাওই। মসিদা মাঙজরিবনা নৌনা ইনখৎলক্লিবা মতমগা চুনবা ত্রেন তৌরবা লাইব্রেরিবু নুংশিজবা নহারোল কয়া শিনফম অসিদা চংনবগী লম্বী অদু ককথৎপীরম্লগদ্রা হায়বগী চিংনবা ফাওই হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



ইম্ফালদা লাক্কনি তৌরম্বদগী লাকখিদ্রবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট এগ্রিকলচর এন্দ ফুদ প্রোসেসিং ডাক্তর চরনদাস মহন্না ঙরাং আইজোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা

# গান ঙাই অমদি ইমোইনুগী পাউজেল পীরক্লি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী পুন্না খুন্দামিন্নরক্লবা কবুই ফুরুপকী মৈহৌরোলদগী লাইনিং লাইশোনগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা খ্বাইদগী মরু ওইবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা গান ঙাই অমদি ইমোইনু ইমাগী ইরাৎ থৌনি থৌরম্না লাকপদা কংলৈ মীয়ামদা ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন)না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

হেরিকোনগী চেরোল অমনা হায়, কবুই ফুরুপকী মরু ওইবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা গান ঙাইগী থৌরম মায় পাক্না পাঙথোকপা ওইরসনু। কুম্মৈ অসিনা ইরমদম অসিগী য়েলহৌঙৈদগী পুন্না খুন্দামিন্নরক্লবা ফুরুপ কাঙলুপশিংগী নুংশি লিপুনসু হেন্না চেৎশিনহনবা ওইরসনু। কাঙলুপ নাইবা ৱাখল পুম্বা মাঙহনখিদুনা চাওখৎপা ইরমদম অমা হায়বদু পুরক্লসনু।

ইমোইনু ইমাগী ইরাৎ থৌনি থৌরম্না লাকপদা কংলৈ মীয়াম নুংশি চান্নবা পুন্না হিংমিন্নবগা লোয়ননা চাকহোং ঙাহোংবা, চাওখৎপা লমদম অমা ওইরসনু হায়নসু হেরিকোন্না পাউজেল পীরক্লি।

ইলাইট ফাউন্দেসন মনিপুর, কৈশামথোংনা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম কৈশামথোং কৈথেলদা মসিগী ওফিস্তা পাঙথোক্কনি হায়রি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা সেক্রেটরি এ কে সুনিলকুমারনা লুচিংদুনা অয়ুক্তা লম–তু শেংদোক্কনি অদুগা নুমিদাংগী মতমদা ইমাবু ইরাৎ থৌনিদুনা মৈ থানগনি হায়রদুনা মীয়ামদসু থৌরম অসিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

# হেলদি ইন্দিয়াগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎতা লৈবা দি দি কে ইম্ফালগী কমপ্লেক্সতা ঙসি থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা হেলদি ইন্দিয়াগী কেলেন্দর ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা ডাক্তর আশানন্দ সিংহ, ডাক্তর টিঐচ অরুনকুমার সিংহ অমদি দি দি কে ইম্ফালগী প্রোগ্রাম ইগজিকুক্যটিভ এ কে খোগেন্দ্রো সিংহ শরুক য়াখি। ডাক্তর আশান্দনা হায়, হেলদি ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি ইং ২০১২ গী এপ্রিল তাং ৭ তগী হৌখিবনি।

প্রোগ্রাম অসিগীদমক ষ্টেট নোদেল ওফিসার অমা থম্লগা দি দি কে ইম্ফালগা য়াম্না নক্না চৎমিন্নবগী অপাম্বসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হেলদি ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি মনিপুরদা মীয়াম্না পাম্নবা প্রোগ্রাম অমা ওইরক্লি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। এ কে খোগেন্দ্রোনা হায়, প্রোগ্রাম অসি ভারত সরকারনা পৈশা থাদরগা মপুং ওইনা হকশেলদা মীৎয়েং চাওনা থম্লিবা প্রোগ্রাম অমনি। লৈপাক শীনবা থুংনা অনা লায়েংগী লমদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি।

হেলদি ইন্দিয়া হায়না মীংথোন্দ্রিঙৈদা প্রোগ্রাম অসি কৈল্যানি হায়রগা খঙনরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি প্রোগ্রাম অসিগী খুদোংচাবা লৌরগা মফম খুদিংদা হকশেলগী খোল্লাও লাউবা ঙম্লে। মসিমক ডাক্তর অমদি অখঙ অহৈশিংগী মতেংনা ওইখিবনি হায়না মত পীখি। ষ্টেট অসিগী ওইনসু প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়ানা মতেং পীদ্রগদি হেলদি ইন্দিয়া প্রোগ্রাম অসি মঙম শাল্লমদবসু য়াই হায়বগী ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা মেদিয়াগী থৌদাং অসুক্কী মতিক চাওই অদুনা মখা তানসু তেংবাংবিনবা মহাক্না আপিল তৌখি।

# পোইনু লোইখিবদা ঙাইরি কৈথেলদা চেংগী মমলদি আ য়ৌরে – *পান্দম*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* হৌজিক ভারত সরকারগী মিৎয়েং মখাদা ফুদ সেক্যুরিটিগী মতাংদা মীয়াম ৱাখল তাহন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি। অদুবু তঞ্জা অসিদা পোইনু থা লোইখিবদা ঙাইরি, কৈথেলদা চেংগী মমল কেজিদা লুপা ২৫ দগী ৩০ ফাওবা য়ৌরে। সুপর ফাইন চেংসু কেজিদা লুপা ২০ দগী ২৩ ফাওবা পীরে হায়না পিপলস এক্সন ফোর নেসনেল দিমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পান্দম) না ফোঙদোরক্লি।

পান্দমগী সেক্রেটরি আই পি আর রোসনিকান্তা তখেলচানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা কয়াগী মতাংদা থিজিন হুমজিন্দুনা সরকারগী নাকোং য়ৌনবা লাউদুনা লাক্লি। অসিদসু নত্তনা মীয়ামগী অৱাবা কয়া থিজিন্দুনা য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মদুদা লৌরোক পম্থা মতুংদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি খঙবা ঙমখিবনি। মনিপুর সরকারনদি মীয়ামদা অহোংবা মমলদা মরাং কায়না চেং ফংহনগনি হায়না লাওরি। নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটিগী মতাংদা মীয়াম ৱাখল তাহন্নবা হোৎনরি অদুবু চেংদি হোংবা লৈতে। তাল্লক অসিদা মপানগী মীতোপ ময়াম অমা থাকপগী পোৎলুমসু পুরি। অদুগা অমুকসু য়ু শুংবদসু মাঙহল্লি। মসি থিংনবা লুপ কয়ানা হোৎনরবসু হুরাল লান্নাদা চেং মাঙহনবগী থবক্তি অদুমক তৌরি।

অমরোমদা সরকারগী গোদাউনদা চেং মরাং কায়না লাক্লিবমখৈ খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ময়াং দুকানদসু মরাং কায়না অদুমক ফংলি। অদুগা গোদাউনদা চেং লাক্তুবা দুকানদসু ফংদে। অদুনদি মসিদা অরোনবা এজেন্দা অমদি লৈরে। মনিপুর ষ্টেট অসিগী ফুদ মিনিষ্টরদগী হৌরগা লৈকাই লৈকাইগী রেসনিং এজেন্ট ফাওবনা মীয়ামগী পুকচাক্তা লান্দারক্লিবা অসি চপ চানা থিংহৌনবা থবক পায়খৎপা মথৌ তারি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা কৈথেলদা নুপা ফমজিল্লিবা অসিসু অথুবদা তকথোক্লগনি। পাউনা অমসুং থঙ্গাল কৈথেল অনিগী লম্বী মতাই ফুদ পাঠতা অমদি কৈথেলগী লম্বী মচাশিংগী মতাইদা গলি মনুংদা পোৎ য়োনশিল্লিবসি কনানা অয়াবা পীবনো হংলদুনা মখোয়সু তকথোক্লবা থবক পায়খৎলগনি। অদুগা য়োল্লিবা পোৎ চৈগী মমল লেপ্পবা সরকারগী প্রাইস ফিক্সেসন কম্মিটি মথৌ তৌহন্দনা থম্লিবা অসিনা করিগীনো, করবার তৌরিবশিংনা য়োল্লিবা পোৎকী মমল লেপচবা হায়বসি কঞ্জুমরশিংগী রাইট মৎপনি অদুনা কঞ্জুমর ঐখোয় পুম্নমক মীকপ থোকপা তাই, ঐখোয়গী খোল্লাও কনখৎপা মথৌ তাই হায়রি।

মীতোপ মীয়ানচাশিংদা য়ুম শান্দোক্লিবা য়ুম্থুশিংসু তুংগী ৱাখল খরা খনবিবা মতম ওইরে, দিপোজিৎ চাওনা লৌরগা শান্দোকপা চুমদে। মনিপুর খুন্নাই মীতোপশিংগী মখুত্তগী কলহৌবা হায়বসি সরকারখক্কী মথৌ নত্তে, ঐখোয় পুম্বগী থৌদাং চাওনা লৈ। অসিগুম্বা মীয়াম্না থেংনরিবা অমদি থেংনগদবা ইশু কয়াদা পান্দমনা খুৎ থারগনি মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পীবিয়ু হায়নসু মখা তারি।

# আইসিটিসি সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* রিমসকী মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্ট অমসুং মনিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) না পুন্না শীন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইনা রিমসতা আই সি টি সি সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

ডাক্তর, নর্স, নর্সিং টিচর অমসুং অতৈ হেলথ ৱার্কর কয়ানা শরুক য়াখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু হৌদোকপগী থৌরমদা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী দিরেক্তর প্রোঃ এস সেখরজিৎনা তমথিরবা এইদস লায়নাদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয় পুম্নমক ভাব তামিন্নবা অমসুং খঙমিন্নবা দরকার ওইরি হায়না ফোঙদোকখি। মমাদগী মচাদা লায়না অসি শন্দোকপা য়াওনা অপুনবগী ওইনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী তঙাইফদবা অমনি হায়নসু মখা তাখি।

রিমস মাইক্রোবাইওলোজি দিপার্টমেন্টকী প্রোঃ ব্রজচান্দনা হায়, খ্বাইদগী ইহান হান্না ইং ১৯৮১ দা ইউ এস তা ঐচ আই ভি টেষ্ট দিতেক্ট তৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওইনা ইং ১৯৮৬ তা ইহান হানবা ঐচ আই ভি পোজিটিভ কেস চেন্নাইদা থেংনখি। অদুগা মনিপুর ষ্টেটকী ওইনা ইং ১৯৮৯ গী ওক্তোবর থাদা অহানবা ঐচ আই ভি পোজিটিভ থেংনখি। মতম অদুৱাইদগী হৌনা লায়না অসি থেংননবা হোৎনরকপনা ইং ২০১১ দদি মনিপুরদা ঐচ আই ভি পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি চাদ ২৭ তা হন্থহনবা ঙমখি। ইং ২০০০ দদি চাদ ৪১ ওইখিবনি। প্রিভলেন্সকী চাং হন্থহনবা ঙমখিবা অসি মায় পাকপগী খুদমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মহাক্না হায়,লায়না অসি শন্দোকপদা লৈপাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ৱাংবা ষ্টেট ৫ গী মনুংদগী মনিপুরবু লৌথোকপা অমসুং চিংথোকপদি ঙমদ্রি।

# লম্বী শেম্বা লোয়শিনবিয়ু

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* মীয়াম্না চান্দম লৈরক হায়না খঙনবা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীগী চান্দম লৈরক মপাদগী চাইরেনথোং ফাওবগী লম্বী পাকা লৌদুনা থম্লিবা অসি অথুবা মতমদা শেম্বা লোয়শিনবিয়ু।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কিক বোক্সিং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এস বিরেন্দ্র সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হায়রিবা লম্বী অসি পাকা লৌরগা থম্লকপনা গারী ময়াম চৎপদা উফুলনা নাক য়েত্তা লৈরিবা য়ুমশিংদা খুদোংথিহল্লে অমসুং উফুলনা অনা অয়েক কয়াসু থোকহল্লে। হৌজিক নিংথম থা ওইবনা অমুক্কসু হেন্না খুদোংথিহল্লে। মরম অদুনা লম্বী শেম্বগী থবক অথুবা মতমদা লোয়শিনবিয়ু হায়না সরকারগী পুক্লিং চিংশিল্লক্লি।




মৈতৈ ত্রেদিসনেল দান্স টিচিং স্কুল এন্দ পার্ফোমেন্স সেন্টর ইম্ফালগী ঙরাং জে এন দান্স একাদেমিদা পাঙথোকখিবা ২১ শুবা চহিগী থৌরমদা মহৈরোয়শিংনা জগোই রাস উৎখিবা

# গ্রেট সিল্ক ৱেনা নহারোলশিংদা অহেনবা মিৎয়েং থম্লি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* ইং ২০১২ দা মেম্বর ষ্টেট ২৫ না শরুক য়াদুনা শেমখিবা গ্রেট সিল্ক ৱে (জি এস ৱাই) না লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা অহেনবা মিৎয়েং থম্লি হায়না এসিয়ান রিজনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল তিলোতমানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লব ওদিটোরিয়মদা লমদম অসিগী মেদিয়াগী মীওইশিং তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবী এল তিলোতমানা মখা তানা হায়, লৈবাক ২৫ না শরুক য়াদুনা শেমখিবা জি এস ৱাইনা হৌজিক থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

রিজন মরি থোক্না খায়দোক্তুনা ভাইস প্রসিদেন্ট অমমম হাপ্লগা মখোয়গী মখাদা থবক থৌরমশিং অদু পাঙথোক্লিবনি। জি এস ৱাইগী পান্দমদি মালেমদা শান্তি পুরক্লবা হোৎনবনি। অদুগা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা তোঙান তোঙানবা লৈপাক্কী নহারোলশিংদা খঙন–চান্নদুনা কম্যুনিকেসন গেপ লৈতনা তিন্নবা হোৎনরি।

ভারতকী নোর্থ ইষ্টকী ওইনা গ্রেট সিল্ক ৱেনা নহা ওইরিবা চহি ১৮ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা ত্রেদিস্নেল অমসুং নন ত্রেদিস্নেল মেদিয়া ছোর্সকী জর্নেলিষ্টশিংগী কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। হায়রিবা কম্পিটিসন অসিদা মনিপুরগী পাউমীশিং মিৎয়েং চিংশিল্লদুনা শরুক য়াবিয়ু অমদি অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু হায়নসু মহাক্না আপিল তৌখি।

লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংদা জি এস ৱাইনা অহেনবা মিৎয়েং থম্লি। লৈপাক অমগা অমগা মান্নবা চৎমিন্নবা হোৎনরি। তশেং তশেংবা সেমি গভর্নমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা জি এস ৱাইদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়বগী ৱাফম থম্লদুনা লমদম অসিগী জর্নেলিষ্টশিংগী থৌনা অমসুং হোৎনবা কনববু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# চীঙ্গাক্তা মীপান তাংদ্রবতদা চাউখৎপগী মমি তাগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* চীঙ্গাক্তা মীপান তাংদবা, নিরগা হিংগনি হায়বগী ৱাখল চেন্নদ্রবা মতম অদুখক্তদা মনিপুরদা হ্যুমেন ভেল্যু অমদি চাওখৎপগী মমি তাগনি হায়না সিবা সেনা মনিপুর ষ্টেটনা ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজর এস সমুঙৌ সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চীঙ্গাক্তা মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইহনসি হায়রবদি ঐখোয়গী লৈজরিবা লৌবুকশিং চহি চুপ্পা মহৈ মরোং থাননবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা অকনবা থবক পায়খৎকদবনি।

ঙসি মনিপুরনা শেল থুমগী লমদা ফিভম শোকচিল্লবসি নোংমগী মপান লমদা লুপা লাক্ষ লাক্ষনা খুজিং ওইদুনা থাদোকখিবদগীনি হায়বসি শাসন পুরিবা মিনিষ্টরশিংনা খঙদবসি লাইবক থিবনি। মনিপুরগী ইকনোমিক সর্ভে ২০১২–১৩ গী মতুং ইন্না দিষ্ট্রিক্ট ৯ দা লৈরিবা মহৈ মরোং থাবা য়াবা মফমসি সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টতা স্কার কিলোমিটর ২৩.৮৬, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা স্কার কিলোমিটর ২০.০১, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা ২১.৩৩, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ৪৫.৩৩, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ৪৯.৫৩, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা ৪৬.০৭ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা স্কার কিলোমিটর ৪৬.১২ নি হায়না উৎলি। হায়রিবা মহৈ মরোং থাবা য়াবা মফমশিং অসিদা চহি চুপ্পা লেপ্তনা মতম মতমগী মহৈ মরোং থানবা থৌরাং লৌখৎপা হায়বসি এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মথৌনি। অদুনা লম অসোমদা অকনবা মিৎয়েং চংফম থোকই হায়রি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ১০ঃ* মনিপুর পিপলস পার্টিগী মতম অমদা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইরম্বা উদোয় থোঙাম্না ঙরাং খঙহৌদনা লৈখিদবদা এম পি পি না অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

পার্টিপ্রসিদেন্ট এন সোভাকিরন এক্স এম এল এনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা লৈখিদ্রবা উদোয় থোঙামনা তৌরম্বা থবকশিং শিংথাখি। মনিপুরদা রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি অমখক্তমক লৈহন্নবা অমসুং এম পি পিবু অমত্তা ঙাইরবা রিজনেল পার্টি ওইহন্নবা কন্না হোৎনজরম্বা লৈপাক্কীদমক কথোক্লবা মীশক অমনি হায়না প্রসিদেন্ট সোভাকিরন্না ফোঙদোকখি।

পার্টিগী ৱাঙাংলোই ঐচ নবশ্যামনা হায়, মনিপুরগী অরুবা তানফমশিংদা মরু ওইনা ১৯৯২–৯৩ দা থোকখিবা কাঙলুপকী ইরাং অমসুং অপুনবগী শক্তমদা এন এস সি এন (আই এম)না শীংনরকপা লোয়ননা ১৯৯৭ কী আগষ্ট ৪ দা মীওই লাক্ষ কয়াগী মনিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা খোঙচৎ অমসুং ২০০১ গী জুন ১৮ ইহৌদা মহাক্না মরু ওইবা থৌদাং কয়া লৌরম্মী।

মীফম অদুনা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

ফেদরেসন ওফ রিজনেল ইন্দিজেনস সোসাইটি (ফ্রেন্দস)নসু উদোয় থোঙাম্না লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। প্রসিদেন্ট সাপমচা জাদুমনিনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, আগষ্ট ৪, ১৯৯৭ তা মীওই কয়ানা ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না চৎখিবা খোঙচৎতা অচৌবা থৌদাং লৌখিবতা নত্তনা অমুকো লিংখৎপদা মাংজিন থাখিবা মীশক অমনি। এন এস সি এন (আই এম) অমসুং ভারত সরকারগী বেঙ্কোক এগ্রিমেন্টনা মনিপুরগী ঙমখৈ কনশিল্লকপদা ঙমখৈ কন্ননবা অপুনবা লুপশিংনা শেম্বা য়ু সি এমগী কনভেনর অহুমগী মনুংদা মহাকসু অমনি। থবক তৌমিন্নবদা ৱাখল থোকপা কথোকপগী থৌনা লৈবা মীশক্লি। মহাক্না লৈখিদবসি ঐখোয় পুম্নমক্কী মাংজবনি হায়রি।


## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক


### ফহনবা ঙমখ্রে

না–তাদবা, নুংশা শোৱগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক–তাংবা, থাগী রিতু কাইবা নৎত্রগা ফিডৌ চৎপা, ফিৰু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোর্রিয়া, নুঙশং, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

### অঙাং য়াওদবা নুপা–নুপীশিংগীদমক


কৰিগুম্বা অদোম অঙাং পোক্ত্রবা অমসুং মদুগীদমক অদোম্না নুংঙাইতবা পোক্লবদি ঐখোয়দা পাউফাউদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কানরবা অমসুং অফবা মখলগী হিদাক্না অদোম শোয়দনা পুক্নিং চংখোল্লবা ইচনুপা ইচনুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৰমদি অঙাং য়াওদবা নুপাঋনুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

### খ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা



কৰিগুম্বা অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, খ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্লোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং–তাং চীকপা–নাবগী অৱাবা মায়োক্লৰবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।

### উনশাগী লায়নাশিং



অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু–অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্ছু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুম্লিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

### লুহোংবগী পুক্সি নুংঙাইনা লেনবিয়ু

### অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা




করিগুম্বা অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফন্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হাম্বদা ফন্বী চৎপা, ফন্বী মরাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৱাৎপা, থুনা ফন্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্বা লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৰনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

### য়েংবদা পুক্লিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট



করিগুম্বা অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীক্লবা নৎত্রগা চোম্থরবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

### লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন



কৰিগুম্বা অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং–তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

### কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও–নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর / য়ু থাদোক্কনি।

### অকুম্বা হেনগৎহনবা

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা / নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তাৰবদি নুমিৎ খৰানিদা হকচাংগী অকুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

**LOOSENESS OF PRIVATE PART**

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surrely. Your will be as young girl. no side effect.



**Please Contact:-**
**Dr. R.N.. Gupta (396)**
C/o Uma Ayurvedic Clinic
Thangal Bazar, Khoyathong Road,
Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor
Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

*য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্কবা*

করিগুম্বা অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্লবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তদা হকথেংননা উনবিয়ু

